HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur





মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহন্নবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিনা ৱারেপ লৌগদবনি হায়দুনা খ্বাইরক্পন্দ কৈথেল ফম্বীশিংনা টেম্পররি মার্কেটতা প্লে কার্দশিং পায়দুনা চঙশিনখিবা খোঙজং


হকচাং শজেল মখলশিংগী মনুংদা খোঙনা চৎপনা খ্বাইদগী হেন্না... ☛ লামায় ২

মীতৈগী পুয়া 'নিঙথৌলোল্ লম্পুপা' (নিংথৌরোল লম্বুবা) লামায় ৪

য়েলহৌমীগী পুৱারী মুখৎনবা হোৎনরকপসি থেংনগনি : হাওমী ☛ লামায় ৬

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু) 'মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম' ☛ লামায় ৯


নালসাগী দিরেক্সনদগী মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিনা শজিৱা সেন্ত্রেল জেলদা জুবেনাইল জষ্টিস এক্ট, ২০১৫গী মতাংদা পাঙথোকখিবা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রামদা এক্সপার্ট অমনা ৱা ঙাঙবা




Vol. 47, Issue No. 323 | থাংজ, ফাইরেনগী থানিল | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, February 24, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00


# পুৱারীগা শাগোন্নরক্লিবা থোং নম্বোনবীগী হৌদোকমিন্নরকপা শক্তম হঞ্জিলহনবা ঙম্লরোইদ্রা



## শেমজিন-শাজিনবগী থবক্তা হান্নগী শক্তম কায়হনগদবা চৈ কানবগী থৌওং খরা চথরব্রা

## ৱার্ক এজেন্সী ওইরিবা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী ইঞ্জিনিয়ারিং সেলনা ৱার্ক ওর্দর য়েংহনবা য়াদে হায়রক্লে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৩ (ঐচএনএস) :** ঙসিদগীনা চহী ১৭০ রোমগী মমাঙদা পাল্লম্বা মৈদিংঙু চন্দ্রকৃত্তি মহারাজগী মতমদা শারম্বদগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লিবা খ্বাইরক্পন্দ কৈথেলগী থোং নম্বোনবীগী শক্তম চহী য়ামশিল্লকপগা ইরোয়ননা থেঙ্খ্রাং খরদা থোকখিবা ঈশিং-ঈচাওনচিংবনা মরম ওইরদুনা হঞ্জিন-হঞ্জিন কিন্থরকপা অমসুং কায়থরকপদগী মণিপুর লৈঙাক্না মণিপুর এন্সেন্ট এন্দ হিষ্টোরিকেল মোন্যুমেন্টস এন্দ অর্কিওলোজিকেল সাইটস এন্দ রিমেন্স এক্ট ১৯৭৬কী মখাদা 'প্রোটেক্টেদ সাইট' ওইনা লাউথোক্লবা মতুংদা থোং অসিগী শাগোন্নরক্লিবা মহৌশাগী শক্তম অমুক হঞ্জিলহন্নবগীদমক শেমজিন-শাজিনবগী থবক পায়খৎলকপদা হৌদোকমিন্নরকপা শক্তমগা মান্নরোইদবা মওংদা চৈ কানবা থৌওং খরা চথখ্রবরা হায়বগী চিংনবা পোক্লরে।

হীরম অসিগী মতাংদা পাউচে অসিনা হৌজিক থোং অসিবু মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিলহন্নবগীদমক চথরক্লিবা শেমজিন-শাজিনবগী থবক অসি করম্বা লৈঙাক্কী লোয়শঙনা ৱার্ক এজেন্সী ওইদুনা চথরকপনো অমসুং মসিগী কন্ত্রেক্টরনা কনানো হায়বগা লোয়ননা থবক অসিগীদমক মরী লৈনবা ওথোরিটিনা পীবা 'ৱার্ক ওর্দর' গী কোপি অমা ফংননবা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

# দি এম য়ু কেম্পসতা লৈবা মহৈরোয় লূপ অমগী ওফিস কমপ্লেক্সতা বোম পোকখায়বদা মহৈরোয় ১ শিরে ১ শোক্লে

## ঙসি অহিং নোংয়াই পুং ১২ রোম তারকপদা লম্ফেলদা লৈবা য়ু সী এমগী ওফিস মৈ থাবা হৌরম্লে হায়রি

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৩ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুমিদাং পুং ৯.২০ লোম তারকপদা থাংমৈবন্দগী ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি কেম্পসতা লৈবা মহৈরোয় লূপ অমগী ওফিস কমপ্লেক্স মনুংদা শকখঙদবশিংনা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্বদা কমপ্লেক্স অসিদা লৈরম্বা মহৈরোয়শিংগী মনুংদগী অনী বোম মচেৎনা পান্দুনা শোকপদগী রাজ মেদিসিটিদা পুখৎতুনা লায়কন্নবা হৌরকপদা মখোয় অনীগী মনুংদা অমা কনবা ঙমহৌদনা লৈখিদ্রে হায়রি।

কমপ্লেক্স অসিদা পোকখায়খ্রিবা বোমগী মচেৎনা পান্দুনা শোকখিবশিংনা কৈবুল লমজাওদগী সলাম মাইকেল (২৪) অপোকপা এস ইবোমচা অমদি উপোকপীদগী ওইনাম কেনেজি (২৪) অপোকপা ও ইঙোচা কৌই হায়রি। মখোয় অনীগী মনুংদা ও কেনেজিনা ঙসি নুমিদাং পুং ১০.১৯ রোম তারকপদা কনবা ঙমহৌদনা লৈখিদবনি হায়রি।



পুলিসনা বোম পোকখায়ফম য়েংশিনবা

থৌদোক অসিদা মখোয় অনী খক শোকপদা নত্তনা খামদুনা থম্বা অঙৌবা মচুগী কার (বালেনো) এম এন-০৬/এল-এক্স ৩৬৩২গী মনীংগী টায়র অমা য়াওনা গাড়ী অসিগী বোদিদা বোম মচেৎ ৫/৬ লোম পানখি হায়রি। অদুম ওইনমক বোম অসি কনানা করিগীদমক লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লল্লিবনো হায়বগী চপ চাবা মরম খঙবা ঙমখিদ্রি।

থৌদোক অসিগী পাউ তাবগা পুলিস পর্সনেলশিং লাক্তুনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলে হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৫০ রোম তারকপদসু তেরা য়েংখোম লৈরক্তা লৈবা স্পেসল কন্ত্রেক্টর চিরোম ওকেন্দ্রো (৬০) অপোকপা লৈখিদ্রবা মঙ্গীগী য়ূমদসু লোকল মেদ বোম অমা শকখঙদবশিংনা লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্লে হায়রি।

### কাংচুপ চীংথক্তগী কাপথরকপদা খুল ঙাকপা শোকখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৩ (ঐচএনএস):** ঙরাং নুমিদাং পুং ৮.৩০ রোম তারকপদা লমশাং পি এসনা কোল্লিবা কাংচুপ চীথক্কী মফম অমদগী মসিগী চীংখোঙদা লৈবা খুল ঙাকপশিং তম্না কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা খুল ঙাকপা অমা মনাদা খেৎখিবদগী রিমসতা পুখৎলক্তুনা লায়কন্নখ্রে। খুল ঙাকপশিংনসু নোংমৈ মরূ খরা হন্দুনা কাপখি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

### HL Poll

Q : Manipur leingakna Lan ashigi manungda State ashigi Law and order angamba thakta ngak senduna thambagi thoudang loupham thoktabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : February 28dagi hougadouriba Manipur Legislative Assembly meephamda leingakna SoO louthokhinaba warep soidana lourakkani thajabra?

Yes 67% No 33%

### অস! লোইরেহে!

- মৈ য়াদ্রে, মৈ মিনিষ্টর জি!



- ঈশিং য়াদ্রে, ঈশিং মিনিষ্টর জি।

### এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা শেমখিবা পিছ কম্মিটিনা কুকিশিংগী মরক্তা লৈখিবা মীতৈ ২০০ রোম কনখিবনি

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৩ (ঐচএনএস) :** কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা চথরকপা লানগী চৈথেং নংলিবা শুগুনু এ সীগী মীয়ামগী মতাংদা এ সী অসিদা বি জে পিগী মীরেপ ওইখিবা এম বিনোদনা ঙরাং মীদিয়াদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং অদু লাইবক থীবনি হায়রদুনা এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা চেয়রমেন ওইদুনা শেমখিবা পিছ কম্মিটিনা কুকিশিংগী মরক্তা লৈখিবা মীতৈ ২০০ রোমগী পুন্সি কনবগী মথক্তা শুগুনুদা নুমিৎ ২৪নি ঈংন-তপ্পা লৈখি হায়বসি এম বিনোদনা খঙজিনবীয়ু হায়না শেমখিবা পিছ কম্মিটি অদুগী মেম্বরসু ওইরম্বী মৈরা পায়বী এম থোইনুনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি শুগুনুদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা এম থোইনুনা হায়, সেরৌ অমদি শুগুনু মায়কৈদা থোক্লিবা লানসিদা লানফম অমত্তদসু নীংথিনা ফাওবা লাক্ত্রিবা এম বিনোদনা ঙরাং মীদিয়াদা মায়কৈ অসোমদা থোক্লিবা লান অসিগী মরম অসি ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

### লোক সভা মীখল এপ্রিল ১৯দা পাঙথোক্লবা য়াই

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৩ (ঐচএনএস) :** লৈবাক অসিগী লোক সভা মীখল লাক্লিবা এপ্রিল ১৯দা পাঙথোক্লবা য়ানা লৈরে হায়না পাউচে অসিনা থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউ অমনা হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়বদা মীখল অসিগীদমক মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনবা হৌগদবা ইলেক্সন নোটিফিকেসনননা মথং থাগী ১২ (মার্চ ১২, ২০২৪) দা থোক্লগা মীখল অসিদা মীরেপ ওইনবগীদমক মীরেপ চে পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎনা মার্চ ২৮, ২০২৪দা ওইগনি হায়রি।

অদুগা মীখল অসি এপ্রিল ১৯, ২০২৪দা পাঙথোক্লবা মতুংদা মসিগী ভোট মশীং থিবগা লোয়ননা রিজল্টশিং লাউথোকপগী থবক্লা মে ২২, ২০২৪দগী হৌগগনি হায়বগা লোয়ননা মীখল পাঙথোকখিবা পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি পূম্নমক্কী রিজল্ট সুনা লাউথোক্লবা মতুং মে ৩০, ২০২৪দা মীখল অসিগী কাউন্টিংগী রিজল্ট মতুংইন্না অনৌবা লৈঙাক শেমগনি হায়রি। অদুম ওইনমক ওফিসল ওইবা পাউদি ফংদ্রি।

# চুড়াচান্দপুরদদি ম্যান্মারগী লুচিংবী ওং সান সু চিগী ইমুংগী মীওইশিংনি হায়বা ম্যান্মার মচাশিং ফাওবা লৈহৌরে : সরত মুতুম

## হকথেংনবা পাউদম

*চুড়াচান্দপুর খুগা তম্পাক্তগী খুঞ্জা অমা*

**(ঙরাংগী মখা...)**

চুড়াচান্দপুরগী খুগা তম্পাক্তগী লাঞ্জেল্লক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা সরত মুতুমনা মখা তানা হায়, রিলিফ কেম্প অসিদা লৈবা অমসুং চাবগী খুদোংচাবা নত্তনা লৈঙাক্তগী অতোপ্পা মতেং অমত্তা ফংদ্রি।

মে ৩গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ লোম তারকপা অদুৱাইদা ঐখোয় লৈকায়দা কুকিশিংনা নোংমৈ কাপ্লকখি অমদি ঐহাক্কী য়ূমগী লাইশঙদা ফাওবা চঙলক্তুনা লাইশঙগী থোঙ মখোঙনা কাওবা, নেৎপা তৌরকখি। থৌওং অদুদা ঐহাক্না তৌগনু ফত্তে হায়না হায়রুবদা ঐঙোন্দা ওনশিল্লক্তুনা নোংমৈনা কাপ্লকখি অদুবু লাইবক ফবদগী পালহৌদবনি। মথংগী নুমিৎ মে ৪দা আর্মি লাক্তুনা ঐখোয়বু হোন্দোক্লগা চুড়াচান্দপুরগী মিনি সেক্রেটরিএটতা থমখি।

ঐহাক্তি হকচাং ফত্তবনিনা চাননবা হীদাকসু পুরকখিদে। চাবা থকপা ঙম্লক্তবদগী দি সীদা হায়নরগা মে ৮দা নিংথৌখোংগী রিলিফ কেম্প অসিদা লাকখিবনি। ঐনা খ্বাইদগী পেন্দবদি থা ৯ হেল্লক্লবা ফাওবদা লৈঙাক্না লুপা ৫০০/৫০০ মরিরক খক য়েল্লকপা অমসুং চাফম থকফম পীবা নত্তনা করিসু তৌরক্ত্রিবা অসিনি। লুপা লিশীং ২ অদুনা ইমুং অমদা থা ৯ শীজিন্নবা য়াব্রা হংলকখি।

থা অসিগী ১দা লুপা লাখ ১/১ পীগনি হায়না লাউথোরকখিবদগী হিংননবা লম্লোন ইতিক তৌবা য়ারগনি খঞ্জরুবনি অদুবু পীরক্ত্রে। ঙম্লোইদবা ওইরবদি মতুংদদি হায়রক্কনু। দুকান ফমদুনা তুংশিঞ্জরকপা শেলশিং পুরকপা নংদবদগী মাঙহৌবা অদুমদি থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতে হায়রকখি।

# সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন তাল্লিবা কুকি এম এল এ ১০গা নাগা এম এল এ ৭কা গুৱাহাটিগী হোটেল অমদা উনখ্রে

## নাগা এম এল এশিংগী মনুংদা মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাই, খাসিম বাসুম অমসুং এম এল এ, এস এস ওলিস য়াওরি

**গুৱাহাটি, ফেব্রুৱারী ২৩ (এজেন্সী) :** মমাঙ চহীগী মে ৩দগী হৌরকখিবা মণিপুরগী তমথীরবা লান ঙসি থা ১০ চঙশিল্লক্লবসু লোইশিন্দুনা মহৌশাগী ঈং-তপ্পা ফীভম হঞ্জিল্লক্কনি হায়বগী থাজবা লৈত্রিঙৈগী চৈরক্তা ষ্টেট অসিদগী তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেসনগী দিমান্দ তৌরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী কুকি-জো এম এল এ ১০গা (মিনিষ্টর ২ য়াওনা) নাগা এম এল এ ৭কা গুৱাহাটিগী হোটেল অমদা ফম্মিন্নদুনা অরুবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

মীফম অসিগী মতাংদা পাউগী এজেন্সী অমনা তৌরকপা রিপোর্ট অমদা কুকি অমসুং নাগা এম এল এশিংগী মীফম অসি ঙসি গুৱাহাটি এয়রপোর্ট মনাক্তা লৈবা হোটেল অমদা পাঙথোকখিবনি হায়রি। মীফম অসিদা মণিপুর লৈঙাক্কী মিনিষ্টরশিং ওইরিবা অৱাংবৌ ন্যুমাই, খাসিম বাসুম অমসুং নাগা এম এল এশিংদা এস এস ওলিস, কে লৈসিও অমসুং লোসি দিখো য়াওনা অতোপ্পা নাগাগী এম এল এ ২ শরুক য়াখি হায়রি। অদুগা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন তান্দুনা লাক্লিবা এম এল এ ১০ ঙুরসাংলুর সনাতে, এল এম খৌতে, লেটজামাং হাওকিপ, পাওলিয়নলাল হাওকিপ, বুংজাগিন বালতে, কিমনিও হাওকিপ হংসিং, হাওখোলেট কিপগেন অমসুং চিনলুন্থাং য়াওবগী মথক্তা মিনিষ্টর ওইরিবা নেমচা কিপগেন অমসুং লেটপাও হাওকিপসু য়াওই হায়রি।

এজেন্সীগী পাউনা মখা তানা হায়রিবনা হৌজিক মণিপুরদা ফূরূপ মশেলগী মরক্তা মূন্নবা থোক্লিঙৈগী চৈরক্তা মীতৈ অমসুং কুকি অনীমক্না নাগাশিংদা লোবিশিং চথরিঙৈগী চৈরক্তা পাঙথোকখিবা মীফম ওইবনা য়াম্না মরূ ওইবা অমসুং ৱাহন্থোক ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## জেনিমসকী লাইবক করম থোক্লগবা

# লৈঙাক্না জেনিমস সোসাইটি য়োৎশিনখ্রবা মতুংদা দিরেক্টর অমসুং মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্টদা পীরম্বা ফাইনান্সিএল পৱারশিংসু লৌথোকখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৩ (ঐচএনএস):** মতম অমদা জৱাহরলাল নেহরু হোস্পিটাল (জে এন ঐচ) খক্তমক ওইদুনা মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরম্লবা মতুং মপূং ফাবা মেদিকেল ইন্সটিট্যুট অমা ওইরকহন্নবগীদমক সোসাইটি অমা শেম্লবা মতুংদা জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) ওইহল্লক্তুনা মেদিকেল সেক্টরদা অচৌবা অহোংবা অমা পুরকহল্লক্লিবা জেনিমস অসিবু চলাইরম্বা সোসাইটি মণিপুর লৈঙাক্না মূখৎতুনা য়োৎশিনখ্রবা মতুংদা ইন্সটিট্যুট অসিগী দিরেক্টর অমসুং মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্টদা পীরম্বা ফাইনান্সিএল পৱারশিংগী মনুংদগী ইন্সটিট্যুট অসিগী রেগ্যুলর এমপ্লোয়ীশিংগী থাগী তোলোপ পীবা খক্কী নত্তনা অতোপ্পা শেল থুমগা মরী লৈনবা পৱার পূম্নমকসু লৌথোকখ্রে।




ইন্সটিট্যুট অসিবু মণিপুর লৈঙাক্না মপূং ফানা শুপ্পাই পায়শিন্নবগীদমক লৌখৎলক্লিবা থবকশিং অসিনা হৌজিক ইন্সটিট্যুট অসিগী লাইবক করম থোক্লগদগে হায়বদু তম্বা ঙমদ্রে হায়না মেদিকেল ...মখা লমায় ৩ কলম ৪




HL-B/8578/24/25